লন্নাই মীওইশিংনা লম্বীগী নাকলদা ৱা পৈশিন্দুনা থম্বদগী ইম্ফাল সিটি মশক থিহল্লে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্লা ইম্ফাল সিটি অসি তরু তনানবা সিটি অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈদা ইম্ফালগী নম্বুল তুরেলগী রিটেনিং ৱালগী ফেন্সিং খাদবা এরিয়াদা লন্নাই মীওইশিংনা য়ুম শাবদা শীজিন্নবা ৱা অমদি নুঙ লৈঙোয় ময়াম অমা থমজিনবদগী সহর অসি মশক থিহল্লে হায়রি।

লম্বীদা তোয়না ৱাকিং চৎপা অহল খরনা ফোঙদোরকপদা, থোং নম্বোনবীদগীনা কৈশামপাৎ থোং ফাওবগী নম্বুল তুরেলগী শরুক অসি মণিপুর লৈঙাক্লা মনম চেন্দবা অমদি তরু তনানবা তুরেল অমা ওইনা থম্নবা হোৎনরিবনি। অদুবু হৌজিক মসজিদ রোদকী মনিং থংবা নম্বুল তুরেলগী মমাং থংবগী রিটেনিং ৱালগী মথক্তা খাগদবা য়েৎকী আর্ম অদু মপুং ফানা থবক শুরিবশিংনা লোয়শিনবীদনা থল্লম্বদগী হৌজিক লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিনিঙাই ওইরি।

কনাগুম্বা গাড়ী কন্না থৌরকপা অমদি লম্বীগী মতায়দা খোঙনা ৱাকিং চৎলম্বশিং থৈদোক্লবা হোৎনবদা তুরেলগী রিটেনিং ৱাল য়াওদবা অমদি মী অশোক অপন নংদনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। রিটেনিং ৱালগী মথক থংবা ফম্পাক অদু মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়ুম কৈ শাবগী উ-ৱা, নুঙ লৈঙোই অমদি চেক্তেক্ল চিংবা থমজিনবদগী লম্বী অসি চিলহনবতা নত্তনা মোৎশিনহল্লে হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী তুরেলগী মমাং থংবা তোর্ব্বান মথক অসিদা অহল ওইরবা নুপা নুপী কয়া খোঙনা অয়ুক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা ৱাকিং চৎলিবা মফমনি অদুবু লম্বী অসি লন্নাই মীওইশিংনা মশা মশাগী গাড়ী খামজিনবা অমদি য়ুমকৈ শাবগী অরেম অপা লোয়ননা মচাক মথুমশিং থমজিনবা, য়ুমগী অমোৎ অকায় লংথোক্লবা দষ্টবিন্নচিংবা থম্বা অসিনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাহন্দ্রে হায়রি।

মীয়ামগী খ্বায়দগী চাওনা হৌজিক খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবদি থোং নম্বোনবীগী মখা থংবা থোংগী মনাক্তগীনা মিটর ৩০০ রোম শাংনা নম্বুল তুরেলগী মমাংথংবা আর সী সীগী রিটেনিং ৱাল অদু ঙসি ফাওবা নিংথিনা শেম শাবা লোয়শিনবীদ্রী অমদি রিটেনিং ৱাল মথক্তা খাবা য়োৎকী আর্মশিং হাপচিনবীদ্রি। রিটেনিং ৱাল অসিগী মথক্তা লন্নাই মীওইশিংগী পোৎ পৈশিনফম ওইরে। মরম অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা কৈশামপাৎতগীনা থোং নম্বোনবী ফাওবগী তোর্ব্বান অসি তরু তনান্না থম্বীনবা আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, নম্বুল তুরেলগী খোঙনুংদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা মী লৈতবা তাল্লক্তা অমোৎ অকায় লংথবা য়াওরিবা অসি ইম্ফাল সিটিবু তরু তনান্না থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংনা অকনবা এক্সন লৌখৎপীদুনা মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না তৌদনবা চৈরাক পীবা মতম ওইরে।

তুরেল অসিগী মনিংথংবা তোর্ব্বানগী শরুক্তসু মরক মরক্তা মীওই খরনা অমোৎ অকায় লংথোক্লম্বা অমদি গাড়ী তোংদুনা লাকপা মীওইশিংনসু অচাপোৎ চাবগী মকু অমদি প্লাষ্টিক্লচিংবা অদু দষ্টবিনদা হাপচিনবগী মহুত্তা লম্বী মতায়দা লংথোক্পগী থৌওং অসি মখোয়বু ফারগা ফাইন থিহনবা মথৌ তারে। মদু নৎত্রগদি মীয়ামগী মরক্তা সিভিক সেন্স য়াওদবা মীওই খরনা মফম চাদনা অমোৎপ লংথোক্লম্বদগী ইম্ফাল সিটি মোৎহনবতা নত্তনা লায়না কয়া থোক্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি হায়রি।

নুপা অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, মে ২১: ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উরিপোক সোবোর্ন থিঙেলদা লৈবা অশানবা য়ুম অমগী মনুংদা নুপা অমা ঙসি অয়ুক থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং হুইদ্রোম ইবুঙো এলিয়স মোমো (২৪) অপোকপা ঐচ মনিহার কৌই। মহাক ককচিং দিষ্ট্রিক্কী মনুং চনবা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবনি।

মহাক্না থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লিবা উরিপোক সোবোর্ন থিঙোলগী য়ুম্বু অদুগী মমিংনা আর কে বোরুন কৌই। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা পুলিসনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইদা খুৎশিন্নখ্রে।

মপীথেল দামগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

গভর্ণরগী ওর্দর মতুং ইন্না মপীথেল দামগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হায় লেবেল কম্মিটি শেমখিবা অদুগী মতাংদা অপুনবা মীফম অমা থা অসিগী ২৩ দা মফৌদা পাঙথোক্লগনি হায়না মপীথেল দাম ইফেক্তেদ চীং-তম ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি তখেল্লম্বম সোমোরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, শেমখিবা কম্মিটি অসিদা লোকেল ওথোরিটিশিং অমদি মপীথেল দাম ইফেক্তেদ চীং-তম ওর্গনাইজেসনসু য়াওবীয়ু। মমাঙগী লৈঙাক্লা নমশিন্দুনা থল্লম্বা ইস্যু কয়া এন বিরেননা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপদা থাগৎলি। হায় লেবেল মীটিংদা মপীথেল দাম ইফেক্তেদ চীং-তম ওর্গনাইজেসনদা ঈ-পাউ পীবীরকউ। লোয়ননা থা অসিগী ২৩ দা মফৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা অপুনবা মীটিং অসিদা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিং য়াওহল্লু। এম দি ঈ সি টি হায়বা ওর্গনাইজেসন অসি কুমজা ২০০৮ গী জুন থাদা শেমখিবনি হায়রি।

দোক্টর লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

লৈঙাক্লা হকশেলগী লম্দা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা হোৎনরবসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী য়াইরিপোক খোইরোম পি ঐচ সীদগী দোক্টর মরি পূন্না ট্রান্সফর থাখিবদগী লমদম অদোমগী মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা মণিপুর হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী দিরেক্টোরেটনা চহী অমগী মমাঙদগী খোইরোম পি ঐচ সীবু পুং ২৪ সার্ভিস হাংদোক্লকপদগী মীয়াম্না হরাওবা, নুংঙাইবা ফোঙদোক্লকিবনি। অদুবু হন্দক পি ঐচ সী অসিগী এম ও ইন-চার্জ য়াওনা পূন্না দোক্টর মরি ট্রান্সফর তৌখিবদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনহল্লে। হৌজিক ফাওবা দোক্টর মহুৎ অমত্তা থারকপা লৈত্রি। দোক্টর ট্রান্সফর তৌখিবনা পুং ২৪ সার্ভিস তৌরম্বা অদু লেপখিবা নুমিৎ মঙানি শুরে হায়রি।

মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগী অৱাবা উবীদুনা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা হেল্‌ঠ সেন্টর অসিগী ৱাৎলিবা দোক্টরশিং, এটেন্দেন্ট, নর্স অমদি হোস্পিটাল অমগী লৈফম থোকপা পোৎ-চৈ অৱাৎ-অপা পুম্নমক অথুবদা পীবীনবা পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

মীয়ামগী ৱাকৎশিং অসি তাবীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রবদি নুমিৎ ৫ নিগী মতুংদা হেল্‌ঠ সেন্টর থিংজিনবা য়াওনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না মীয়াম্না ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হেল্‌ঠ সেন্টর অসিগী অকুপ্পা ৱারোল কয়া ইবা চেরোল ওইনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী হেল্‌ঠ ওঠোরিটিদা পীশিনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রে হায়না মীয়াম্না পেন্দবসু ফোঙদোরকখি।

এক্স সার্ভিসমেন মীট

ইম্ফাল, মে ২১ : হেদক্কার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) গী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর আসাম রাইফলসকী ১৮ শুবা আসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ তা চান্দেলদা এক্স সার্ভিসমেন মীট অমা পাঙথোকখ্রে। মীট অদুদা পুন্না এক্স সার্ভিসমেন অমসুং বীর নারি ৩৩২ না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিং, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি লৈবাক অসিগীদমক্তা মথৌ পাঙথোকখিবশিং অদুগীদমক্তা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী থৌনা অদুবু ঈকায় খুম্নবা উৎপনি হায়না চেরোল অমনা হায়রি।

আই-এমগী পিছ টোক্কা মরী লৈননা খন্ন-নৈনবগী মীফমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১(ঐচ এন এস) :

এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীনা চথুরিবা পিছ টোক্কা মণিপুরদা পীরক্কদবা চৈথেং হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা নাওরেমথোং লাইশ্রম খুলেম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কম্মিটি অসিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা যু সী এমগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই কে ধিরেননা হায়খি, যু সী এমনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অসি লেপ্তুনা লাক্লি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী পিছ টোক চথুরবা মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী খুৎয়েক পীনখিবা অসিনা মণিপুর কায়নবা হোৎনরকপা মতমদা মতাং মতম নাইদনা খোঙথাং কয়া পায়খৎলক্কনি। হনবা লৈতনা মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নগনি হায়বসি মশাখক্তংগী কান্নবা লৌনবা চঙশিল্লক্লিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু খঙফম থোকই।

মণিপুরদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাংদি মণিপুরগী ঙমখৈ থুগাইবা য়ারোই হায়বসিনি। হৌজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী অকনবা প্রেসর অমা লাক্লে অমসুং ৱারোইশিন পুরক্লবা কন্না হোৎনরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মরম ওইরগা য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিং শোকহনবা য়ারোই অমসুং মসিগীদমক্তা লেপ্পি। চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদগী নুংশি-চান্নন লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী লাপথোক্লনবা হোৎনরক্লবনিনা পিছ টোক অসি লেপ্পু হায়বা য়ারে। মরমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা এন এস সী এম (আই-এম)গা পিছ টোক তৌরকপদগী মণিপুরদা তংদু লৈতাহন্দবদা নত্তনা চাউখৎ থৌরাং অমত্তা পুরক্তে। নুংশি-চান্নন খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি মরী লাপথোক্লহনবা নত্তনা অতৈ লৈতে।

হৌজিকসু ফ্রেমৱার্ক অসিনা লৈতাহন্দ্রে। মরম অদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱাফমশিং মরিক চুম্না খঙহল্লু হায়না আর এন রবিদা হায়জখ্রবনি। লান্না চৎনবা লম্বী ওইহল্লকপা মতমদা জুন ১৮দগী হেন্না শাথিবা থৌদোক লাক্কনি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চীং-তম চপ মান্ননা চাউখৎনবা হোৎনরকপদা চীংদা শেল থাদরকপা ওইরবদি অথিংবা লৈরোই। অদুবু থাদরিবা শেল অদুনা দিভাইদ এন্দ রুল্দ শান্ননবগীদমক্তা থাদরকপা ওইরবদি মদু য়াবা ঙম্লোই, থিংগনি। মরমদি মণিপুরগী ওইনা এ দি সীগী মফম লৈজে। মণিপুর সিক্স সেদ্যুল, ফাইব সেদ্যুল চৎনদে। মণিপুর হায়বা লমদম অসি এসেমব্লি অমনা লৈঙাকপা লমদমনি। মরম অদুনা ৱাফম কয়া অদু য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বসি হংফম থোকই। মণিপুর লৈঙাক কাল্লগা লান্না চৎপা য়ারোই।

উখ্রুল, সেনাপতি, চান্দেল অমসুং তমেংলোং অসিদা নাগা খক্তনা খুন্দাবা মফম নত্তে। মরম অদুনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর শোকহনবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা যু পি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা হায়খি, নাগালেন্দদা মমাঙদা নাগা হোষ্টাইল হায়না লৈরম্বদগী অসামগী মখাদা লৈরম্বা নাগালেন্দ ষ্টেটহুদ ফংখিবনি। কুমজা ১৯৮০গী মতমদা এন এস সী এন ফোর্ম তৌদুনা এন এস সী এন থোরকখি। মসিদা য়ানরক্তবদগী কুমজা ১৯৮৮দা উখ্রুলগী মুইভাগী এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং নাগালেন্দগী খপ্লাংগী এন এস সী এন (কে) হায়না থোকখ্রে। মতুং তারকপদা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট হায়বা অমা অমুক লাক্লে।

চহী ৭ খুন্তাকপদগী গম্ভীর সিংহ নিংথৌনা অমুক হান্না অৱাগী খুত্তগী কল্লগা থল্লম্বনি। মতুংদা ইন্দিয়াদা তিনবদগী মণিপুর মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা হোৎনরক্লি। মতাং অসিদা বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেসকী ৱাফম থমদনা পুন্না হোৎনফম থোকই। অসামদগী খাইদোক্লগা ষ্টেটহুদ ফংখিবা নাগালেন্দগুম্বনা মণিপুরদগী খাইদোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা য়াগদবা নত্তে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি নাগালেন্দ খক্তদা চৎনগদবনি, মণিপুরদা য়ারোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা শগোলশেম দেবেন মঙাংচা, খ্বাইরাকপম তোম্বা, ৱাই রিশি ভাইস প্রসিদেন্ট নিপকোনচিংবনা ৱা ঙাঙখি।

শগোলশেম দেবেন মঙাংচা, লাইশ্রম বিরচন্দ্র, অরুবম ইবোতোম্বী, মাইবম ঙানবী, সলাম রাজমণি, লাইশ্রম মেঘা, সলাম মিনা অমসুং সাইখোম নিংঙোল লৈমনচিংবনা দেজগী মেম্বরশিং ওইখি।

অমরোমদা, কোন্থৌজম মমাঙ লৈকায় কবুই খুলনা শীন্দুনা খুল অসিদসু ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট পীরিবা চৈথেং হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি খুল অসিগী কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বুংথুনা কামৈ অমসুং গাইপুইলন কামৈ, খুল্লাকপা কোন্থৌজম মমাঙ লৈকায় কবুই খুলনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা যু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, নিংথৌ পানবা লৈঙাক ওইনা লৈজরক্লবা মণিপুরদা নাগা হায়বা ৱাহৈ অসিনা থেংখাং কয়াদা মণিপুর থুগাইনবা মরুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনি। নুংশি-চান্নন লৈমিন্নরক্লবা চীং অমসুং তমগী অপুনবগী শক্তমদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা অকায়বা পীবা হায়বসি য়াফম থোক্তে। হান্নদগী য়ানদনা লাকপা অদুনা মরম ওইরগা জুন ১৮ থোকখিবনি। মসি মণিপুরগী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা থৌদোকনি।

থৌরমদুদা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়খি, ঐখোয়গী ঙমখৈ অমদি চহী লীশিং ২ হেনবগী পুৱারী কায়হনবা য়ারোই। নুংশি-চান্নন লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংদা থেংখাং কয়াদা থুগাইনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবসি লেপকদবনি নৎত্রবদি মসিগী অফ-ফত্ত লাক্কদবনি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙনা থবক তৌগদবনি।

'লম্বী শেম্বীদবদগী অকনবা খোঙজং চথগদৌরি'

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

ৱাঙ্গৈাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হৈনিংশোই এরিয়াদা কিলোমিটর ২ রোম শাংবা ইন্টর-ভিলেজ লম্বী মতম শাংনা শেম্বীদবগী মতাংদা অকনবা খোঙজং চথরগনি হায়না ষ্টেন্দার্দ য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মুতুম ফিবৌ অৱাং লৈকায়গী জেনরেল সেক্রেটরি সন্তোশ লাইশ্রম্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙ্খীশিংগা উনবদা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি সন্তোশনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱাঙ্গৈাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মুতুম ফিবৌ এরিয়াগী লম্বীশিং অসি হৌজিক ফীভম য়াম্না ফৎত্র। মসিনা মীয়াম চথোক-চৎশিন তৌবদা মরু ওইনা মহৈরোয়শিং অমদি কৈথেল চৎপা ইমা-ইবেনশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। লম্বী অসি হৌখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ইলেক্সন মমাঙদা শেম্বা খরা হৌরল্লগা ঙসি ফাওবা মখা তানা শেম্বীদনা লৈরি। মসিগী মতাংদা ৱাঙ্গৈাই এ সীগী এম এল এ, ওইনাম লুখোইদসু ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা কয়ারক হন্না চৎতুনা হায়জরবসু ঙসি ফাওবা শেম্বীদনা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অনৌবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। করিগুম্বা লম্বী অসি শেম্বীদবা তারবদি খোয়শাওনরবা মীয়াম্না খোঙজং চথরগনি হায়রি।

হৌজিক লম্বী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পোট হোল লৈবগা লোয়ননা লম্বী অসিদা গাড়ী মচা অমদি অচৌবা থৌবদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা থোকপা ফাওবা য়াওরে। লম্বী অসি নোং তারগনা লম্বী ময়ায়দা লৈবা কোমজাউশিং অসি ঈশিং তুংদুনা লৈবনা লম্বী চৎপশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। কুমগী নোং লাক্তিরুঙৈদা লম্বী অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ফিঙৌ চৎপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মনম নমথীবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফিঙৌ চৎপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মনম নমথীবা, থাগী খোঙকাপ লাকপদা পুক য়েকপা, খাঙবা ঙমদবা, ফিনুংদা হাক্কচবা, থাগী ঈ লাকপদা খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, চাবা-থকপা য়ারক্তবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম** ☎৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭ তা মতম খরা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

থাগৎচরিবী **: Arambam Chandrajini Devi**
Uripok Tourangbam Leikai.

HL-P/1081/22

[illegible]

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2017-18

Special Attractions

1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road

HL-B/3875/20,22,24,26&28 May

ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ/ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

NH-2 Dimapur Road কী Awang Sekmai Konjeng Leima Quary দগী হাইথরগা লৈবা Highway দগী Metre 100 লাপ্পা, ACRE 1 চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। ইঙ্খোলসি গোদাউন ওইবা য়াবা অমদি বিজিনেস তৌবা য়াবা মফমনি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাগী Phone Number অসিদা Contact তৌবীয়ু, মচেৎ-মচেৎ লৌবসু য়াগনি। হান্না লাকপা মীওইদা হান্না খুদোংচাবা পীজগনি।

HL-P/0758/22&23
Contact : 8414887417

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/3843/28/04-27/05

ꯈꯉꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

Eastern School Van Service Association, Yairipok কী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি মদুদি এসোসিএসন অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা Sacred Heart School Yairipok তা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর ওইদবা Auto, Magic অমসুং অতৈ গাড়ীশিংনা এসোসিএসনগী নিয়মগী ৱাংমদা চঙশিন্দুনা Service তৌরিবশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা Service লেপ্পীগদবনি। লোয়ননা Auto অমসুং Magic কী এসোসিএসনশিংনসু হায়রিবা গাড়ীশিং অসি অদোমগী এসোসিএসনগী মনুংদা লৈবা ওইরবদি অথুবদা Service লেপহনবীনবসু খঙহঞ্জরি। মখা তানা এসোসিএসন অসিগী মায়োক্তা Service তৌরকপা তারবদি All Manipur School Student's Transporter's Assn. (AMSSTA) গী মতেংগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি। Eastern School Van Service Association, Yairipok কী মেম্বরশিংনা AMSSTA গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা Yellow Sticker নপ্তুনা Van শিংনা Service তৌবা য়াওরল্লবদি Van অদু এসোসিএসন অসিগী মনুং চন্দে হায়না লৌগনি।

Sd/- N. Ibomcha Singh, Secretary,
Eastern School Van Service
Association, Yairipok

HL-P/0610/22

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা য়াদবা, সৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কপ্লাক মরী নাবা, পুক নাবা, থবাক নাবা, ফম্বী ৱাৎপা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খুৎ-খোঙ ইপঙ-পঙশিনবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী সৌজ নান্থবা অমদি ফম্বা মতমদসু নান্থবা, নান্থবা সৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, খুৎনা ইনশিনবা মতমদা য়াম্না শাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা নুমিৎ ২/৩ খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা, কপ্লাক মরী নাবা অমদি খোঙ নামা শিথবগুম তৌবা, খুৎ অসি ইফা ফাজিনবা, ঈংবা মতমদা খুৎ লোল্লগা পোৎ পায়বা ঙমদবা অদুগুম্না তৌবা, শাগন নামা হাইগৎপা ঙমদবা, পুক নাবা অদুগা অমুক থবাক্লোমদা চেনখৎলগা থবাক অমুক নাবা, ফম্বী শোনবা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ-খুৎ ইপঙ-পঙশিনবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

থাগৎচরিবা **: Ph. Shahani**
Zoumi Villa

HL-P/0743/20/5-20/6

ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ/ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

খুরাই সলাম্থোং কোন্সম লৈকায় ম্যেন রোডকা হেক তাইনবদা **Point 15** চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ লৌবীবা য়াগনি।

Contact : 7085647424
8575188457

HL-P/0740/20,21,22

ꯇꯟꯠꯔ-ꯃꯟꯠꯔꯒꯤ ꯐꯥꯎꯔꯕ

তন্ত্র মন্ত্রগী ফাওরবা
বাবা করিম খান-অজমীরদগী লাকপা

য়ুমদা অৱা-অনা তারবদা কোকহনবা ঙম্বা, লম চথোকপা, লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌবদা অপনবা লৈবা, ফিল্মদা থবক তৌবা, লুহোং-কৈহোংবদা অপনবা লৈবা, অঙাং য়াওবা ঙমদবা, শেন-থুমদা অপনবা লৈবা, য়েক্লবা লৈবা, য়ুম-পানবদা খায়নবা, অপাম্বা থুংনবা (নুংশিনবা), মীনা ফত্তবা জাদু তৌরকপা লৌথোকপা, হীরমশিদা হৈশিংলবা মীশকনি। অৱাবা লৈবা খুদিংমক ফহনবা ঙল্লবা মীশকনি।

- *Time : 9.00 am to 5 pm. Hatta, Checkon Road, Near Orient Hotel.*
- *নুপী Receptionist* অমা অথুবদা পামজৈ।
- *Salary - ₹ 5000/- to 8000/-*

HL-P/1380/22/4-22/5
☎ 7629937919

ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯦꯝꯚꯤ ꯔꯤꯌꯥꯖꯨꯗꯤꯟꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

ওজা এমভি রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি

ঐ মতম শাংনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা তিনকুপ লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা লোইবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শাবা, চিকপা, সৌজদু খুৎনা ইনশিনবা, চৎপদা পদ্রাক-পদ্রাক তারকপা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎপা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা-থকপা তুমদবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম** ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Mayang Imphal Konchak Bazar 2. Moreh : Fire Brigade Office, Opposite (Monday and Tuesday).

থাগৎচরিবা ঃ **MD. SERAJAMAT**
Mayang Imphal Bengoon

HL-P/1577/13/5-13/6

ꯑꯣꯟꯈꯤꯕ/ওন্নখিবা

হৌখিবা তাং ২০-০৫-২০১৭ ইং, পাউচে (হুইয়েন লানপাউ) অসিগী Page No. 5 গী অহানবা Column দা য়াওখিবা "এগ্রিকলচর মিনিষ্টর হংখালিয়ননা য়েংশিনখ্রে" হায়বা পাউ অদুদা 'ৱাংবলদা লৈবা এগ্রিকলচর ওফিস' হায়খিবদু খাঙবোক/ৱাংবল হায়গদবনি। ওন্নখিবদুগীদমক ৱারৌবীরোই।

Sd/- Rice Breeder
Rice Research Station, Khangabok/Wangbal,Manipur

HL-P/0756/22

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

ইমা হাওরৈমা শম্বুবী য়াইঙংপোকপী হরাউবা হুম্নি (৩) চনবা থাংজ নুমিৎ, মেগী তাং ২০, ২০১৭ ইংদা থোকচোম ৱাংলেন অমসুং মাগী লোইনবী থোকচোম ওংবী রোজিয়া অনীনা অমাইবী ৱাহেংবম সরদা অপোকপা মনিতোম্বদা লাইবুংদা খুবাক্লা থারুবগীদমক লৈবাক মীয়াম অমসুং ইমা হাওরৈমা শম্বুবী থৌগল্লুপ অমসুং উমং লাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল) দা লাল্লে হায়জরি। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না ঐখোয় অনীবু ঙাকপীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা হায়জরি। মতুং অমুক হন্না অসিগুম্বা থবক অসি তৌজররোই হায়না শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবশিং:
১। **থোকচোম ৱাংলেন মৈতৈ** অপোকপা লৈখিদ্রবা লিলাসিং
২। **থোকচোম ওংবী রোজিয়া,** য়াইঙংপোকপী অৱাং লৈকায়।

HL-P/0757/22

ꯂꯥꯏꯁ꯭ꯔꯝ ꯁꯨꯙꯥꯀꯔ (ꯁꯥꯃꯨ) ꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

লাইশ্রম সুধাকর (শামু) বু থাগৎচরি



L. Sudhakar

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই ইম্ফাল মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানিপা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েংবিবদগী ঐগী ওইরোমথংবা কিডনীগী LOWER CALYX তা এম এম ৪ চাউবা নুঙ অনীগা ঈশিং মরীদা এম এম ১১ চাউবা নুঙ অমগা পুন্না নুঙ অহুম লৈবদগী ইয়াম্বা সুধাকরগী মনাক্তা চৎচদুনা ইয়াম্বগী হীদাক হপ্তা তরেৎ চাবীনবা হায়রকপগী মতুং ইন্না চাবা হৌবা হপ্তা ৪ শুবদা অলত্রা সাউন্দ লৌরুবদা ঈশিং মরীগী নুঙ অদু লৈবা উদ্রে। অদুগী মতুং লেমহৌরিবা হপ্তা অহুমদু চারবা মতুংগী অলত্রা সাউন্দদসু কিডনীগী নুঙ অনীদুসু লোইনা লৈরমদ্রে। মরম অসিনা ইয়াম্বা সুধাকরগী হীদাক চাবীরিবা-চাবীরিবী পুম্নমক্লা হপ্তা ৫/৬ চারবফাওবা তারক্ত্রে হায়না মীপাইবা তৌবীদনা অমসুং চাবীয়ু হপ্তা মশীং শুনা চারবা মতুংদা অলট্রা সাউন্দ লৌরবা মতুংদা ঐগুম্না নুঙ পুম্নমক তুমদুনা মাঙখিবরা হায়না য়েংবীয়ু হায়না ইয়াম্বা সুধাকরবু থাগৎচবগা লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না ফোঙদোকচরি।

***Sd/-* Nongmeikapam Ojit Singh**
Mayang Imphal Konchak Mamang,
☎ **9615559478**

HL-P/1530/21,22,23